## হেরোইন কাপ্পা মীওই অমা ফারে

থৌবাল, দিসেম্বর ২৮ঃ থৌবাল অৱাং লৈকাই মৈরা পায়বী লূপকী ইমা–ইবেলশিংনা ময়াই কাবা চিঞাক্কী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং নুমিদাং লৈকাই অসিমক্তদা হোরোইন শীজিন্নবা মীওই অমা ফারে। মহাক্কী ময়ুমদগী হেরোইন অমসুং কাপ্পদা শীজিন্নবা সেরিঞ্জ ফাগৎলবা তুংদা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

## মীফম ফমখ্রে

থৌবাল, দিসেম্বর ২৮ঃ থৌবাল হাওখা মমাঙ লৈকাইদগী জয়প্রেমি এলাইজ নাওচা (২৫) কৌবী নুপী অমা মপুরোইবগী য়ুমদা থৌরী য়ান্দুনা লৈখিদবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ঙসি হাওখা মমাঙ অমদি মনিং লৈকাইগী অপুনবা মৈরা পায়বীশিংগী মীফম অমা ফমখ্রে। মীফম অদুদা লৈখিদ্রবীগী মফমদা ইকায়খুম্না উৎখি।

## লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবিদ্রবনিনা মোরে লম্বী থিংলগনি ঃ ক্বাথা ভিলেজ ওঠোরিটি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮(এস এন এস) ঃ

নেসনেল হায়ৱে ১০২ ইম্ফাল মোরে লম্বীদগী রাজ্য সভানা এদোপ্ট তৌখ্রবা খুঙ্গং অমা ওইরিবা ক্বাথা ফাওবা চৎলিবা লম্বী অসি লৈঙাক্লা শেম্বীগনি হায়না কয়ারক হন্না থাজবা পীরবসু শেম্বীদনা লৈববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা করিগুম্বা লৈঙাক্লা লম্বী অসি মথং চহীগী জনুৱারি ৫ফাওবগী মনুংদা শেম্বীদবা তারবদি খুল অসিদা লৈঙাক্ল পায়খৎলিবা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং থিংজিনবগা লোয়ননা ইম্ফাল মোরে লম্বীসু মতম কক্তনা থিংজিনবগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়না ক্বাথা ভিলেজ ওঠোরিতিগী সেক্রেটরী কে এস ঐচ ইবোয়াইমনা ফোঙদোকখ্রে।

লমদম অসিগী লোকেল টি ভি চেনেল অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা ইবোয়াইমনা হায়, নেসনেল হায়ৱেদগী ক্বাথা ফাওবা অসি কিমি ৭ লোম শাংবনি। লম্বী অসি খুল অসিগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা লম্বী অমা ওইরিবনি।

লম্বী অসি শেম্বীগনি হায়দুনা মতম কয়াদগী লৈঙাক্ল থাজবা পীদুনা লাক্লবসু ঙসি ফাওবা হন্না য়েংবিদনা লৈবনা প্রজাশিংদা হায়নিঙই লৈতনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে।

লম্বী অসি হৌখিবা ফেব্রুৱারি থাদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐ বিশ্বজিৎ মশামক লাক্কুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা কিমি ৭ শাংবা লম্বী অসি চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ। এপ্রিল ফাওবগী মনুংদা সোইদনমক্কী কোইলাস থাবা লম্বী অমা ওইহল্লগনি হায়বগী থাজবা পীরমখিবনি।

ৱার্ক্স মিনিষ্টরনা থাজবা পীরম্লবসু ঙসি ফাওবা থবক হৌবগী মমি অমত্তা উদে। ফিভম অসিদগী লমদম অদোমগী প্রজাশিংনা খোঙজং কয়া চংশিন্দুনা লম্বী অসি শেম্বীনবা তকশিনখ্রবা মতুংদা পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা লম্বী অসি দিসেম্বর ২০১৮ ফাওবদা কোইলাস থারগনি হায়না চিফ ইঞ্জিনিয়ার মশানা ফোঙদোক্লম্বা লৈখিবনি।

ক্বাথাদা পাঙথোকপা চৎলিবা চহি অসিগী ক্বাথা ফেষ্টিভেলদা চিফ হঞ্জিনিয়ার অমসুং মহাক্কা লোয়ননা লাকখিবা ষ্টাফশিংনা মীয়ামদা লম্বী অসি শেম্লগনি হায়বগী থাজবা পীবগা লোয়ননা মীয়াম্না বন্দ ব্লোকেদনচিংব তৌবিদনবা হায়জবা অদু তারবদুনা মীয়াম্না লৈরকপনি। অদুবু নুমিৎ অদুদগী ঙসি ফাওবা কনাগুম্বা মরি লৈনবা ওঠোরিতিগী মীওই অমত্তা লাক্কুনা য়েংশিনলবা লৈত্রি হায়না ফোঙদোকখি।

ইবোয়াইমনা হায়,২০১৯গী জনুৱারি ৫ ফাওবগী মনুংদা লম্বী অসি কোইলাস থাদবা তারবদি ক্বাথা খুলদা মণিপুর লৈঙাক্কা মরি লৈনবা থবক থৌরম খুদিংমক থিংবগা লোয়ননা ইম্ফাল মোরে লম্বীসু মতম কক্তবিদা থিংজিনবগী খোঙজং চংশিনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

## বোর্দতা থল্লিবা মীয়ামগী থাজবা মাঙহনগনুঃদেসাম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ঃ

ইনক্বারি রিপোর্টকী মতুংইন্না চপ চাবা থবক পায়খত্নুনা মরাল লৈবা খুদিংমক চৈরাক পিদুনা বোসেমদা থল্লিবা মীয়ামগী থাজবা অদু মাংহন্দনবা হোৎনবীয়ু হায়না লৈঙাক্তা দেসামনা অপিল তৌরক্লি।

দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্ট এলাইয়েন্স ওফ মণিপুর, দেসামগী শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তা লৈবা ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহৈরোই লূপ অসিগী সেক্রেটরী জেনরেল সিতল ওইনামনা হায়খবদা, চৎলিবা চহীসিগী জুলাই ১৫দা হায়দোকখিবা হন্দক চহীগী হায়স্কুল লিভিং একজামিনেসনগী ফল লাওথোরকপদা মার্ক ৱাৎনা পীরে হায়বগী ৱাথোক লাকপদগী মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়াম অমদি মহৈরোইশিং অপাম্বা খঙবীদুনা ইনক্বারি কম্মিটি অমা শেমদুনা থিজিলহল্লবা মতুং ইনক্বারি রিপোর্টকী মতুংইন্না বোর্দকী সেক্রেটরি অমদি কন্ট্রোল্লর থবক্তগী লৌথোকখিবা অমসি অচুম্বা থবক পায়খৎপিরক্লে হায়না খঞ্জরগা লৈঙাকপু থাগৎচরি।

মহাক্ল হায়, বোর্দকী ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা সেক্রেটরী অমদি কন্ট্রোল্লর খক্তমক লৌথোক্লিবসি ৱাথোক অসিদা মখোয় অনীদগী হেন্না অতৈ কনাম্মতা চেন্নদে হায়দোইরা। নৎত্রগা মখোয় অনিনা চেকশিল্লহৌদবদগী থোক্লিবনি হায়গদৌরিবরা।

ইনক্বারি রিপোর্টকী মতুংইন্না ৱাথোক অসিদা কনা–কনা চৈন্নে হায়বদু খঙল্লগনি। বোর্দকী লৈরিবা মশা লোয়শঙশিং ৱাথোক অসিদা কনামক্তদা চেন্নদবরা। ইনক্বারি রিপোর্ট মীয়ামদা খঙহনবা তৌদনা মীওই অনি থবক্তগী লৌথোক্লগা দিপার্টমেন্ট অসি মীয়াম্না থাজবা ঙম্লগদরা। মরাল লৈবা খুদিংমক কনখৎতনা চৈরাক পিদুনা মীয়ামগী থাজবা অসি মাংহন্দনা লৈঙাক্ল থবক লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা থমজরি হায়খি।

সিতলনা হায়, বোর্দকী অশোয়বা লৈরে হায়দুনা সেক্রেটরি অমদি কন্ট্রোল্লরবু মীয়াম্না খঙনা চৈরাক পিরবনিনা অশোয়বা অদুনা মরম ওইদুনা ভিক্তিম ওইহৌরবা মহৈরোইশিং অদুদা লৈঙাক্লা করম্বা মখলগী কম্পেসেসন পিগদৌরিবগে। ভিক্তিম ওইহৌরগা মহৈরোইশিং অদুদা লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা কম্পেসেসন পিফম থোকই।

অমরোমদা, বোর্দকী হৌজিক লৈরিবা সিষ্টেমদা রিইবালুয়েসন য়াদবা রিচেক্কিং খক্তমক য়াহনবগী মওং অসি শেমদোক্কদবনি। মসিনা একজাম থারিবা মহৈরোইশিংগী হক তঙ্খায় অমা মৎপগা চপ মান্নে। মরম অদুনা রিইবালুয়েসন য়াহনগদবনি হায়বগা লোয়ননা মতুং তুংদা লক্কদৌবা একজামিনেসনশিংদা অশোয় অঙাম থোক্তনবা মরী লৈনবশিংনা শোয়দনা হোৎনবীরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজরি হায়খি।

অদুগা ইনক্বারি কম্মিটিগী থৌ পুখিবা দাইক্তের ওফ সেন্সস (ওপরেসন) মংশাতাবম হরেকৃষ্ণ, রিট্যায়ার এমসিএস ওফিসার দব্লিউ চন্দ্রকুমার অমদি এদুকেসন (এস)কী এদিস্নেল দাইরেক্তর ডাক্তর গীৎচন্দ্রা অহুমনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা অচুম্বা পুথোকপিরকপগীদমক দেসামগী মাইকৈদগী থগৎপা ফোংদোকচরি হায়না সিতলনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## অব্দুল গাফর মীশিগী মতাংদা ডি জি পিদগী রিপোর্ট কৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮(এস এন এস) ঃ

মণিপুর পুলিস কম্মান্দো অমদি ২৬শুবা আসাম রাইফলসকী খূৎপু অমনা ময়ুমদগী ফাখ্রগা পুলিস কষ্টদিদা শিখি হায়রিবা লিলোং উশোইপোকপী মখাদগী মহম্মদ অব্দুল গাফর (সহিদ)মীশিগী মতাংদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না মণিপুরগী ডাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস(ডি জি পি) দা মরিক চুম্বা রিপোর্ট অমা পীরক্লবা খঙহনখ্রে। রিপোর্ট অদু জনুৱারি ২২,২০১৯দা নৎত্রগা মসিগী মমাঙদা পীখৎকদৌবনি। এক্সট্রা জ্যুদিসিয়েল এক্সিক্যুসন ভিক্তিম ফেমিলিজ এসোসিয়েসন,মণিপুর (ইফম)গী প্রসিদেন্ট রেনু তখেল্লম্বমনা কম্মিসন অসিদা থাংগৎলকপা কমপ্লেন অমগী হিয়ারিং ঙসি কম্মিসনগী এক্টিং চিয়ারপার্সন খাইদেম মনিনা তাখি।

কমপ্লেন্টকী কাউন্সেলগী ৱারোল তারবা কেস অসি ইনক্বারি তৌবগী প্রাইমা ফেসি লৈরে হায়না লৌরদুনা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট ১৯৯৩গী সেক্সন ১২গী মখাদা কমপ্লেন কেস অমা ওইনা রেজিষ্টার তৌখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা কম্মিসনগী হিয়ারিংগী প্রোসিদিংগী কোপী অমা মণিপুরগী ডি জি পিদা থানবসু কম্মিসন্না খঙহনখি। কেস অসি জনুৱারী ২২,২০১৯দা হিয়ারিং চংখগনি।

## খ্বাইদগী অচান–মীরাই নাইবা লৈঙাক ওইরে ঃ লোকেশ্বর

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ঃ

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা নুচিংবা অনৌবা লৈঙাক অসি ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা পানখিবা লৈঙাকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অচান–মীরাই নাইবা লৈঙাক অমা ওইরে হায়না খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী এম এল এ লোকেশ্বরনা মরাল শিরক্লি।

ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী মনূংদা লৈবা সিনাম খুলদা এম এল এগী লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা শাবা মলটিপরপস হোল অমগা ক্লবকী বিল্ডিং অমগা পূন্না শঙ্গাদুনা মীয়ামদা শিন্নবগী থৌরমদা এম এল এ লোকেসোরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্ল মখা তানা হায়খিবদা ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা পানখিবা লৈঙাকশিংনা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক অমা তৌবদা ওপোজিসন রুলিংগী ৱাফম অসি নোংমতা খাইরকত্রি। অদুবু হন্দক্কী রেকোর্দ য়াম্না থুগাইগনবা লৈঙাক অসিনদি মীয়ামগী থবক অমা তৌবদা তোখাইবা মীৎয়েং য়েংলে। মীয়ামগীদমক শিল্লীবা গো টু ভিলেজকী থৌরম ফাওবা কংগ্রেস পার্টিগী এম এল এ অমদি কংগ্রেসকী মরী লৈনবা মীওইশিং য়াওহন্দ্রে। মসিদা নত্তনা কংগ্রেস এম এল এ শিংগী কেন্দ্রগী লম্বী–থোং শেম্বা ফাওবা মীচং–মীখায় নাইদুনা লৈরে হায়খি। অদুমকপু খুন্দ্রকপম কেন্দ্রগী ওইনদি মহাক্কী মায়কৈদগী মথৌ তাবা পূম্বা শেমগৎ–শাগৎকনী হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা স্পিসিয়েল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা খুরাই ক্রেন্দ্রগী হান্নগী এম এল এ ডা. এন জি বিজোইনা হায়, নরেন্দ্র মোদিনা বি জে পিগী এন দি এ লৈঙাক অসিনা লাইরবা মীয়ামগী একাউন্দদা লূপা লাক্ষ ১৫–১৫ হাপকনি হায়না মীয়ামদা হায়খিবা অদু কদাইদা চৎখ্রে। ওইরোয়দবা ৱাফম কয়া হায়জিন্দুনা ইন্দিয়াগী মীয়ামদা বি জে পি না মীনমদুনা লৈরে। মীনম্বা কয়া অসিগী মহৈনা ঙসিগী বি জে পিগী লৈঙাক ইন্দিয়াদগী তুবা তপ্না–তপ্না হৌরক্লে। মসিগী খুদমদি হন্দক হায়দোকখিবা ষ্টেট ৫গী ইলেক্সনগী রিজলদগী মীয়ান্না খংবা ঙমখ্রে। মণিপুরগী ওইনসু হন্দক্কী মীখল অসিদা বি জে পিগী মীহুৎ অমতা মাই পাকপা ঙম্লোই হায়খি।

থৌরমগী মখা তাবা ওইনা লঙথাবাল কেন্দ্রগী এক্স–এম এল এ ও. জোইনা হায়, মণিপুরদা বি জে পিনা অহানবা লৈঙাক পাইবা হৌরকপদা থা খুদিংগী লাক্লম্বা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিংগী খোংচৎ অদু কদাইদা চৎখ্রে হায়না হংখ্রে। মহাক্লা মখা তানা হায়খিবদা মণিপুরগী বি জে পিগী এম এল এ, মিনিষ্টরশিংনা মীয়ামগী থবক তৌবগী মহুত্তা নুপী লোন্দুনা লৈরে। মসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী ৱাথোক অমতা লৈখা তানা লোয়শিনবা ঙমদ্রি অমদি নাকন কয়াদগী মণিপুরগী লম অসি তপ্ন–তপ্না লৌশিনখীবদা য়েংদুনা লৈরে হায়না মরাল শিখি। লোয়ননা লৈঙাক অসিনা লোকেল বোদিশিংনা তৌজগদবা থবকশিংবু গো টু ভিলেজ, গো টু হিল হায়না মমিং থোনজিল্লগা কান্নবদি মীয়ামদা মপুং ফানা য়ৌহনবসু ঙমদ্রে। লোকেল বোদিশিংগী থবক –থৌরমসু মথোং মরম অমতা খঙহন্দ্রে হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা সিনামগী ৱার্দ মেম্বর ঐচ. সুবদনি অমদি লোকেল ইলদর এ. কোন্দুমসু শরুক য়াখি। লোয়ননা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী তোঙান তোঙানবা লৈকাই কয়াদগী অথেলপোৎ কাবা লাক্লখি।

## নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট ৮দা নোংমৈ লাইসেন্স লাক্ষ ১.৬ হেন্না লৈ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮(এস এন এস) ঃ

ডাক্তর জি গোপাল্লা কৃষ্ণ অমসুং পি নাগরজন্না পার্লিয়ামেন্টতা ঙসি হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেটস, হোম এফিয়র্স হন্স রাজ গঙ্গা রাম অহিরনা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেট ৮দা নোংমৈগী লাইসেন্স পায়বা মীওই লাক্ষ ১.৬ লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

আর্ম লাইসেন্স মেন্টেন তৌবগী নেসনেল ডাটা বেজ পোর্টেলগী মতুং ইন্না য়ুনিক আইদেনফিকেসন নম্বর রেজিষ্টার তৌরবা লৈবাক অসিগী অপুনবা লাইসেন্স পায়বা মশীংনা ৩৫,৮৭,০১৬নি। অদুগা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট ৮গীনা পুন্না আর্ম লাইসেন্স ১,৬২,৩০৩ লৈ হায়রি।

নাগালেন্দ ষ্টেটনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটতা খ্বাইদগী নোংমৈ লাইসেন্স লৌবা ষ্টেট ওইরি। নাগালেন্দ খক্তদা আর্ম লাইসেন্স ৩৮,৯৬৬ লৈ। মসিগী মতুংদা অরূনাচলপ্রদেশনা আর্ম লাইসেন্স ৩৫,৪০৬ পায়দুনা মতুং ইন্নরি। মণিপুরনা ৩শুবা লাইসেন্স খ্বাইদগী য়াম্না য়াম্বা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট ওইরি। মণিপুরনা আর্ম লাইসেন্স ২৯,২৭৪ পায়রি হায়নসু মিনিষ্টরনা পাউখুম পীখ্রে। মেঘলয়াগী ওইনা আর্ম লাইসেন্স ১৯,৯৮২,আসামগী ওইনা আর্ম লাইসেন্স ১৯,৬১৭ অমসুং মিজোরামগী ওইনা আর্ম লাইসেন্স ১৬,২০৩ পীখ্রে।

ত্রিপুরানা নোংমৈ লাইসেন্স পীবগী চাং খ্বাইদগী হন্থবা ষ্টেট ওইরি। ষ্টেট অসিদা শুপ্নতগী মীওই ৩৬৬ খক্তমক নোংমৈগী লাইসেন্স পায়রি। অদুগা সিকিমনা নোংমৈ লাইসেন্স ২,৪৮৯ পায়দুনা মতুংদা ইন্নরি।

### ডা.মৈন্যনা মাজরগী ৱাফম পুখৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ঃ মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবা মাজর এগ্রিমেন্ট ১৯৪৯গী ফিভম করম তৌখ্রবগে হায়না এম পি ডা. মৈন্যনা লোক সভাগী জিরো অৱারগী খুদোংচাবা লৌরগা হন্দক্তা পুখৎখ্রে। ৱাহং অদুগী পাউখুম মিনিষ্টর ওফ ষ্টেটস হোমনা পীরদুনা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসনশিং খোমজিল্লগা হাউস্তা টেবল তৌগে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

## কোনুং মমাঙদা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল হেন্দলুম এক্সপো হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮(এস এন এস) ঃ

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া,মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলস,ন্যু দিল্লিগী দিভলপমেন্ট কম্মিস্নার ফোর হেন্দলুমনা স্পোন্সর তৌদুনা ৱিভরস সার্ভিস সেন্টর অমসুং নেসনেল হেন্দলুম দিভলপমেন্ট কোরপোরেসননা পুন্না খূৎশম্নদুনা পাঙথোকপা 'দিষ্ট্রিক্ট লেভেল হেন্দলুম এক্সপো, ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ ৫নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা হেন্দলুম এক্সপো হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখবী ইম্ফাল ইষ্ট জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ্য পি বিমোলা দেবীনা হায়খ,ফিশা–লোনশা তৌদুনা নুপীশিংনা য়ুম পুবদা চাউনা মতেং পাঙই। ফিশা–লোনশা তৌবা হায়বসি নুপীশিংনা য়ুমদা লৈনা–লৈনা তৌবা য়াবা শিনফম ওইবনা শিনফম অসি নুপীশিংগীদমক্তদি য়াম্না অফবা শিনফম অমসু ওইরি। য়ুম পুবদা নুপী অচৌবা থৌদাং লৌই হায়বসিদি য়েৎনবা লৈতনা চুম্লবা ৱাফমনি। ফিশা–লোনশা তৌবী নুপীশিংদা ময়ুমদা শিনফম লিংবা মরম্না মচা–মশুশিংবু মনুং–মতম চানা য়েংশিনবা ঙম্মী। নুপীনা য়ুম থাদোক্কুনা য়ুমগী ৱাংমদা শেল তানবা চৎপদগী মচা–মশুবু মতম চানা য়েংশিলহৌবা ৱাৎপদগী মচা মাংবা ফাওবা য়াওরি। মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, মণিপুরী ফিশাবীশিংনা পুথোক্লিবা পোথোকশিং অসি মপালগী লমশিংদা মরাং কাইনা য়োনবা ঙম্লবদি আর্টিসান অমসুং ফিশাবীশিংদা হেন্না শেন্দোং লৈগনি। পোথোকশিং অসি মপাল ষ্টেটশিংদা য়োন্নবগী থবক কয়া লৈঙাক্লা পায়খৎলকপসি য়াম্না অফবা খোঙথাংনি। চাউখৎলকপগী মতুং ইন্না পৱার লূমনচিংবা পুথোরকপদগী ফিশা–লোনশাগী থবকসু হেন্না মঙম শালহনবা ঙম্লে। থবক শুজনিংবা মীওইশিংদা শেলগী খুদোংচাদবা থোক্তনবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শেন্থুং পীথবগী স্কিম কয়াসু হৌদোক্লে।

ষ্টার্টঅপ স্কিমগী মখাদা শেন্থুং লৌথবীয়ু। স্কিম অসিনা চাদ ৩০ ফাওবা সবসিদি পী। ফিশাবীশিংনসু স্কিম অসিগী কান্নবা লৌবা য়াই ।

## ৱাংখৈ কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা ইমুং কয়া ঙসিসু চাকথোঙ গ্যাস শীজিন্নবা ঙমদ্রি ঃ অরুনকুমার

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ ঃ চীংমৈরোং মমাঙ লৈকাইদা লৈবা থাঙজম অরুনকুমারগী ময়ূমদা ঙসি নুংথিল পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা উজালা স্কিমগী মখাদা পীবা ফ্রী গ্যাস কন্নেক্সন মীওই ৭০ দা য়েন্থোক্কুনা খূৎশিন্নখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা সোসিয়েল ৱার্কর থাঙজম অরুনকুমারনা হায়, ৱাংখৈ কেন্দ্র অসি ইম্ফাল ময়োন্দা লৈবা কেন্দ্র অমা ওইরগসু কেন্দ্র অসিগী মনুংদা লৈবা মীওই কয়া অমদি চাকথোঙ গ্যাস শীজিন্নবা ঙম্লমদবা য়াওরম্লে।

চাকথোঙ গ্যাস অসি হৌজিক্তি লৈঙাক্লা ফ্রীদা ফংহন্নবা থৌরাং পায়খৎলে। উজালা স্কিমগী মখাদা মীয়ামনা গ্যাস লেম্না ফংহন্নবা হোৎনবীয়ু। কান্নবা অসি লৌবীগে হায়রবদি ইশাগী শক্তাক চে আধার অসি য়াম্না মরু ওই। কেন্দ্র অসিগী মীওই ৩০০ রোমদা লেম্না গ্যাস কন্নেক্সন অসি পীনবা থৌরাং পায়খৎপনি। অদুবু অহানবগী ওইনা চে–চাং শুরবা মীওই ৭০ দা কন্নেক্সন অসি পীরকপনি। মথৌ তাবা চে–চাংশিং অদু হেক শুবগা ৱাৎহৌরিবা মীওইশিং অসিগীসু কন্নেক্সন পীনবা হোৎনগনি। হীরমসিদা মহাক্কী মায়কৈদগী পাঙবা য়াবা মতেং পাংদুনা অথুবা মতমগী মনুংদা কন্নেক্সন ফংহনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা কেন্দ্র অসিগী শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং অমসুং চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়াদসু মহাক য়াওগনি হায়খি। থৌরম অদুদা এম এস ন্যু কেনন ইন্দিয়ান গ্রামিন ভিট্রাক, য়াইঙংপোকপীগী মেনেজর য়াওরৈঙম ঙাসাংবা অমসুং সোসিয়েল ৱার্কর টি ঐচ অরুনকুমারগী লোয়নবী থাঙজম ওংবী পুনিমাসি দেবীসু দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

## এল পি জি কনেক্সন লাক্ষ ১ হেন্না পীখ্রেঃ এস আই সিংহ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮(এস এন এস) ঃ

মণিপুরদা প্রাইম মিনিষ্টর উজৱালা স্কিমগী মখাদা খুদোংচাবা য়াবা অপুনবা বেনিফিসিয়ারি লাক্ষ ২.৪৩ রোমগী মনুংদা ১,০১,৯১৯দা এল পি জি কনেক্সন পীবা ঙমখ্রে। স্কিম অসিগী খুদোংচাবা হেন্না লৌবা য়ানবগীদমক এক্সপান্দেদ পি এম ইউ ৱাই স্কিম মণিপুরদসু চংনবা হৌরে। স্কিম অসিগী খুদোংচাবা মপুং ফানা লৌনবা আইও সিগী ষ্টেট লেভেল কো ওর্দিনেটর অমসুং ষ্টেট নোদেল ওফিসার এস আই সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং ইম্ফালগী মাস হোটেলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্লা হায়, পি এম ইউ ৱাই স্কিম অসি এস ই সি সি ২০১১গী দাটাদা য়ুম্ফম ওইরগা এল পি জি কনেক্সন পীনবা ইহান হানবা ওইনা ইউ পিদা স্কিম অমা হৌদোকখিবনি।

স্কিম অসিগী খুদোংচাবা ফংগদবা নুপী অদু সেক দাটাদা য়ুম্ফম ওইরগা পীগদবনা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈগদবা মী ওইরবসু সেক দাটাদা য়াওদ্রবদি খুদোংচাবা ফংদবগী ফিভম অমা লাকপদগী সেন্তের লৈঙাক্লা ইং ২০১৮গী মার্চতা এক্সপান্দেদ পি এম ইউ ৱাই অসি হৌদোকখিবনি।

মসিদা কোনশিনবা য়াবা কেটাগোরি ৭ হাপচিন্দুনা মদুগী মনুংদা লৈবা ইমুংগী মীওইশিংদা এল পি জি কনেক্সন পীদুনা লাকখিবনি। মখোয়শিংগী মনুংদা এস সি, এস টি, পি এম এ ৱাই, এএ ৱাই, উমংদা লৈবা, নত্রগা খুন্নাইদা খ্বাইদগী শোথ–রবা কাঙলুপ নত্রগা টি অমসুং এক্স টি গার্দেন ত্রাইবশিং নত্রগা ইথৎশিংদা লৈবা কাঙলুপশিং ওইরবদি স্কিম অসিগী খুদোংচাবা লৌবা য়ারম্মী।

হৌজিক্কা দিসেম্বর ২০ দগী কেবিনেট কম্মিতি ওন ইকোনোমিক এফেয়ার্সনা হৌরগা ই পি এম ইউ ৱাই টু অসি হৌদোকখ্রে। মসিগী মখাদা লায়রবা ইমুং ওইবা তারবদি মসিদা খুদোংচাবা লৌবা য়ারগনি।

মসিদা হান্নগী কে ৱাই সিদগী অনৌবা অমা শেমদোক্লগা ৱাহং ১৪ হংলি। মদুগী ৱাহংশিং অদুগী পাউখুম পীরবা মতুংদা খুদোংচাবা লৌরগনি য়ারগনি। রেসন কার্দ, আধার কার্দ য়াওগনি। রেসন কার্দতা য়াওরিবা মীওইশিং অদুগী আধার কার্দ অদু য়েংলগা এল পি জি কনেক্সন লৈতবা ওইগদবনি হায়খি।

পি এম ইউ ৱাইগী খুত্থাংদা কে ৱাই সি লৌখৎলগা এল পি জি কনেক্সন পীখিবা অসি ১,০১,৯১৯ এল পি জি কনেক্সন পীখ্রে।

স্কিম অসি ইং ২০২০গী মার্চ ৩১ দা লোইগদবা ওইবনা চহি ১ খরা হেনবখক্তা ঙায়রে। মরম অসিনা মণিপুরদা লৈরিবা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈরিবা মীওইশিংনা কে ৱাই সি অসি মেনশিনলগা মসিগী খুদোংচাবা অদু লৌমিন্নসি হায়খি।

লমদম অসিবু মৈখু চেন্দবা, পোল্ল্যুসন লৈতবা হিংবদা নুংঙাইবা পুন্সি অমা ওইনা হিংমিন্নসি হায়খি।

## নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা শিন্মীশিংগী খূৎশুমন পীথোক্কদবনিঃএস এস য়ু এম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ ঃ শঙ্গানবগী ঙাইদুনা লৈরিবা শিংজমৈ কৈথেলগী ব্লোক অনী অসি শেম শাবগী থবক তৌবা শিন্মীশিংগী খূৎশুমন ঙসিদগী নুমিৎ মঙানি ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা কন্ত্রেক্টরশিংনা পীথোক্কদবনি হায়না সোসিয়েলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (এস এস য়ু এম) না ফোঙদোরক্লি।ঙরাং কৈশাম্পাত্ত লৈবা লূপ অসিগী ওফিসত পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট এস য়াইমা মৈতৈনা হায়, শিংজমৈ কৈথেল অসি শাবগী থবক অসি চেক্কোনদগী মুরফৈ কৌবা কন্ত্রেক্টর অমগী মখাদা শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দদগী সলাম রোমেন অমদি চীংঙামখা ক্ষেত্রি লৈরক্তগী থিয়াম রোসন কৌবা মীওই অনীনা সব কন্ত্রেক্টর লৌদুনা থবক শুবনি। হায়রিবা মীওইশিং অসিনা এম। এস বাবু ইরোম এন্দ ষ্টেনলেস ষ্টিল হায়বা চীংঙামখাদা লৈবা দুকান অসিদগী পোৎ অমদি শিন্মীশিং পুথোক্কুনা কৈথেল অসি ২০১৭ গী সেপ্টেম্বর থাদগী শারকখবনি। কৈথেল অসি শাবগী পোৎ অমদি শিন্মীশিংগী পৈশা অসি লুপা লাক্ষ ১৩ রোম তাবদা হৌজিক ফাওবদা লাক্ষ ২ রোম খক্তা পীরগা লৈরি। অদুবু হায়রিবা থবক অসিগী ফাইনেল বিলদি কন্ত্রেক্টরশিং অসিনা লৌথোকখ্রবনি। মদুদগী সব–কন্ত্রেক্টর ওইরিবা রোসনগী মনাক্তা চক্কুনা হায়রুবদা মশক খঙদে হায়না শিন্মীশিংবু চৈরকপদগী শিন্মীশিংনা এস এস য়ু এম দা ৱাকৎ অসি লাকখিবনি। মরম অসিনা হীরম অসিদা চেন্নরিবা কন্ত্রেক্টর অহুম্না নুমিৎ মঙানি ফাওবগী মনুংদা শিন্মীশিংগী পীথোকফম থোকপা পৈশা পীথোক্তগাদি এস এস য়ু এম না লায়রবা মীয়াম অমদি শিন্মীশিংগীদমক চপ চানা থেংনগনি হায়খি।

## এক্সিদেন্টদা ১শিরে, অশিবা অমা...

*লমায় ১গী মখা* খরনা শোকপদগী হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে হায়রি। থৌদোক্তুদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং অথোকপম সুভাসচন্দ্রা (৪৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা এ নাতেক কৌই। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী থৌবাল অথোকপম ময়াই লৈকায়দগীনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা লিলোং পলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা সুভাসচন্দ্রগী অশিবা মশা জেনিমসকী মোর্গ পোষ্ট মোর্টেম একজামিনেসনগীদমক থমখ্রে হায়রি। অমরোমদা, চুরাচান্দপুর বজার ময়াদা লৈবা টিদিম রোদ বস রেটিং সেদ মনাক্তা ঙসি অয়ুক মীওই অমা শিরগা লৈরম্লে। পুলিসতগী ফংবা পাউনা, শিরম্লবা মীওই অদুগী মমিং সলাম ভৈগ্যা (৪১) অপোকপা লৈখদ্রবা সলাম ইবোহল কৌই। চুরাচান্দপুর মীতৈ লৈকায়দগীনি। মহাক মতৌ করম্না শিরম্বনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা অশিবা হকচাং অদু চুরাচান্দপুর হোস্পিটালগী পোষ্ট মোর্টেমগীদমক থমখ্রে হায়রি।

## পি এম এ ৱাইগী মখাদা শাবা...

*লমায় ১গী মখা* মতমসিদা লৈফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লখ্রে। মখোয়না মখা তানা হায়,সেন্টরনা বেনিফিসরিশিংদা পীরকখ্রবা শেনফমশিং অদুনা শাবা হৌরবা য়ুমশিং অসিগী মওং–মতৌশিংগী ফোটোনচিংবা নমদুনা থাগৎলগা মখা তানা লেমহৌরিবা শেনফমশিং অদু অমুক থাদোকহনবগী খুদোংচাবদুসু কাউন্সিল্লর খরনা মাঙহনবদৌনা তৌরে।

হিরম অসিগী মতাংদা এসেমব্লি কন্স–ট্যিয়েন্সি অসিগী এম এল এ ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন অমসুং চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মিৎয়েং চঙবীদুনা লাইরবা মীয়ামগী ফঙফম থোকপশিং অথুবদা ফঙহন্নবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়না অপিল তৌরক্লি।

## এদুকেসন্দা মীৎয়েং থম্বা খুঙ্গং চৎসি মিসন জনুৱারি...

*লমায় ১গী মখা*

লুপা লাক্ষ ৫ ফাওবগী খুদোংচাবা ফংবা য়ারবা কার্দ ৪৬৫ অমসুং লুপা লাক্ষ ২ ফাওবগী অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংবা য়ারবা সি এম ঐচ টিগী কার্দশিংসু মীয়ামদা খুৎশিন্নগনি।

লৈঙাক অসিনা চঋরকপা খুঙ্গং চৎসি মিসনগী মখাদা মণিপুরদা খুঙ্গং ২৬০০ রোম লৈবা অদু লোইনা থুংনা কভর তৌবা ঙম্লে। মসিগা লোয়ননা লাক্লিবা জনুৱারি ১ দা খুঙ্গং চৎসি মিসন অসিগী অনৌবা মায়ওন অমদা এদুকেসন সেক্টরদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা লমদম অসিগী হ্যুমেন রিসোর্চ চাউখৎহনবা থবক লৌখৎলগনি হায়না চিফ মিনিষ্টরনা লাওথোকখি।

খুঙ্গং চৎসি মিসন অসি পায়খৎলকপদগী খুঙ্গংগী মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা মীয়ামগী অৱাবা, মখোয়গী অপাম্বা অদু লৈঙাক্লা খঙবা ঙম্বগা লোয়ননা মখোয়গী অপাম্বশিং অদু পীনবা থবক লৌখৎপা ঙম্লিবনি।

লিলোংদা ইমা কৈথেল অমা শানবা লুপা ক্রোর ২ খাক্কুনা থল্লবা মতুংদা মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনরিতি এফেয়ার্সতগী শেনফম অমা পীরক্তুনা হৌজিক লুপা ক্রোর ৪.৩ চংবা কৈথেল অমা শারগনি হায়খি। ঙসিগী থৌরম অসিদা লিলোংগী ওইনা প্রধান মন্ত্রি উজৱালা স্কিমগী মখাদা য়ুমথোং ২০০দা গ্যাস কনেক্সন খুৎশিন্নগনি। য়াম্না নুংঙাইবা অমনা হান্না এস ই সি সিগী দাটাদা য়ুম্ফম ওইরগা পি এম য়ু ৱাইগী গ্যাস পীরম্বা অদু এক্সপান্দেদ উজৱালা স্কিমগী মখাদা রেসন কার্দ পায়রবা অমসুং ক্রাইটেরিয়া চপ চানা শুরবা মীওইশিংদি গ্যাস ফংবা য়ারগনি হায়খি। চিফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, লিলোং পি ঐচ সি অসি সব দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌনবা পুখৎলকপা ৱাফম অসি তারবা মতুংদা মাইরিতি মুস্লিম নুপীশিংগী য়েংলগা কেবিনেটতা পুথোক্কুনা খন্নরবা মতুংদা মথং চহীদা অপগ্রেদ তৌরগনি হায়না লাওথোকখি। মসিদা নত্তনা ফুন্দ্রেদা লুপা ক্রোর ২.৫ চংবা ফমুং ৫০ লৈবা নুপীমচাশিংগী হোষ্টেল অমসুং লিলোং হয়ার সেকেন্দরি মাদ্রাসাদা ফমুং ৫০ লৈগদবা নুপীমচাশিংগী হোষ্টেল লুপা ক্রোর ২.৫ চংনা শারগনি। মসিগা লোয়ননা সাভাবনা মান্দপ অমসু লিলোংদা শারগনি।

লৈঙাক অসিনা ৱার এগেন্স দ্রগতা মীৎয়েং থমদুনা অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা চংশিনলিবনি। মতম অমদা লিলোংদা পুলিস চংবা ফাওবা ঙমদে হায়বসু হৌজিক প্রজাশিংনা কো ওপরেসন পীদুনা চংশিনলক্লি। কনাগুম্বনা সোসিয়েল মেদিয়াদা ভাবনা শারগা পাবদা ৱারবা কম্মেন্ট কয়া পীবা তোকপীরো। মণিপুর পুলিস লৌবদা মাইনরিতিগী সিট ৱাৎনা পীবা লৈতে। অপুনবা পার্সোনেল লিশিং ২ লৌবদা হান্নাগী এস টিগী বেকলোগ সিট ৪৭৪ লৌথোকখ্রগা লৌরিবা সিট মশিং অসি ১৫২৬ নি। মসিগী চাদ ৪দি সিট ৬১ তাবনি। মসিদা লৈঙাক্লা মুস্লিমশিংবু নমথবগী ৱাফম লৈতে হায়খি।

থৌরম অদুদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ, হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, রেভিন্যু মিনিষ্টর কে শ্যাম, এদুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম, ষ্টেট প্লানিং বোর্দকী দিপ্যুটি চেয়ারমেন এস রাজেন, মিদাগী ভাইস চেয়ারমেন ও লুখোই, জিরিবামগী এম এল এ অসবউদ্দিন অমসুং মনিদকোগী চেয়ারমেন ডা. ৱাই রাধেশ্যাম, লিলোং (থৌবাল) ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়ারপার্সন দব্লিউ মিনাকুমারিনা ইকাই খুম্নরবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌবাল জিল্লা পরিষদকী আধ্যক্ষ্যা হসিনা বেগমনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চিফ মিনিষ্টরনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংনা পায়খৎপা স্কিমশিংগী মখাদা খুদোচাংবা ফংলবা বেনিফিসিয়ারিশিংদা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি।

## লোক সভা মীখল মতুংদা ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা...

*লমায় ১গী মখা*

মীখলদা হিন্দী না মরুওইনা ঙাংবা ষ্টেট ৩দা বি জে পি মায়থীবা নংখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙগী মতাংদা পল্লদুনা ও ইবোবীনা মখা তানা হায়খি,চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ স্কিমগী মখাদা লাইরবা মীয়ামদা কান্নবা ফঙহল্লেদি হায়রগা নেসনেল রুরেল হেল্থ মিসন (এন আর ঐচ এম)গী ফন্দদি মতম চানা সেঙ্কসন তৌদ্রে। মসিনা খুঙ্গংগী লমদা লৈরিবা মীয়াম লায়েংবগী খুদোংচাবা ফঙহল্লিবা হোস্পিটাল কয়াদা তঙাই ফদনা শীজিন্নগদবা লশিং ফাওবা পীদ্রে।

এন বিরেনগী লৈঙাক্লা মণিপুরদা পায়খৎপা চাউখৎ–থৌরাংগী থবকশিং করিনো হায়বা হৌজিকসু ৱাখল তাবা ঙমদে। অনৌবা পৱার সব–ষ্টেসন অমত্তা শেমগৎপা উদে, দিষ্ট্রিক্ট অমত্তদা হোস্পিটাল শাবা ঙমদে। নুপী কৈথেল অমমম শাবা অসিখক্তনা মীয়াম য়াইফহনবা ঙম্লগদ্রা?কোংগ্রেসনা লৈঙাক্লিঙৈ মতমদদি চীংগী সব–দিভিজন খুদিংমক চপ–মান্ননা শেমগৎ–শাগৎলম্মী। তমদসু মদু মঙাই। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিদা পুখৎখি,রিমসসু অৱাংবা থাক্তা পুখৎলম্মী,হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী বিল্ডিং শারমখি। লোয়ননা তাকয়েলগী আই আই টিদা টেম্পোরেরি কেম্পস ওইদুনা এন আই টিগী মথৌ হৌহনখি অমসুং মোরেগী ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট অসিসু কোংগ্রেসনা শাবা হৌহনখিবনি। চাদা ৭০ কোংগ্রেসনা শাবা লোইরম্লবা চেক পোষ্ট অসিসু বি জে পিনা রং (মচুখক) তৈবগী থবক তৌরগা মখোয়না শঙ্গাদৌরিবনি। খাবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ফিল্ড অসিসু ঙসিদগী চহী ৭–৮গী মমাঙদা কোংগ্রেসনা চাদা ৯০গী থবক লোইশিল্লম্বনি।

মণিপুরদা রেল চঙলক্লবা উরেপ–উয়ুংসু কোংগ্রেসকী মতমদা পায়খৎলম্বা প্রোজেক্টনি। নরেন্দ্র মোডিনা চহী ৪ খক লৈঙাক্লকপদা কোংগ্রেসনা তৌখিবা থবকশিং অদুগী চাদ ১০ য়ৌবা নত্তে। হৌজিক্তি বি জে পিগী অশেংবা মশক মীয়াম্নসু খঙলে অদুগা ইন্দিয়াদা অমসুং মণিপুরদা বি জে পি লৈঙাক অমুক হল্লক্লরোই।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা হায়, বি জে পি লৈঙাক অসি মূর্ত্তি শাবা, মন্দির শাবা খক্তদা পূক্লিং লুপখিদুনা হিরমসিদা পোলিটিক্স তৌদুনা লৈরে। অদুগা কোংগ্রেস চৈবনা বি জে পিগী মথৌনি। মশাগী ওইবা এজেন্দাসু লৈজদে। এন্টি–কোংগ্রেস ওইবনা বি জে পিগী এজেন্দা ওইরি।

কোংগ্রেসতি চৈর–চৈরগা পোপুলর ওইবা হেল্লি। চৈরিমতিক কোংগ্রেসকী ওইনদি তোংজবনি। কোংগ্রেস চৈবদা মশা শোক্লক্কনি হায়বা ফাওবা কাউবা মখৈ চৈরিবসি অশিংবা মীগী মওং নত্তে। কোংগ্রেস পার্টিদি মীয়ামদা মীনম্বা, ওইদবা হায়জিনবা অসি নামুংবনি হায়না লৌই। বি জে পিদি ওইদবা–মীনম্বা ঙাংলিমখৈ পেনবসু নাইদে। মণিপুরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি ঐখোয়না থুগায়বগী মথৌ তাদে। মশা মতোমতা নিংখায়রক্কদৌরবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা কোংগ্রেস পার্টিদা নৌনা চঙলকখ্রবা এম হেমন্ত (এক্স–মেম্বর), নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্ড নম্বর–৪গী কাউন্সিল্লর চিঙাখম অরুনা দেবী, ৱার্ড নম্বর ৭কী কাউন্সিল্লর লাইশ্রম বিরামনি সিংহ, বি জে নম্বোল মন্দলগী ভাইস প্রসিদেন্ট চিঙাখম নবাকুমার অমসুং মাইনোরিটি মোর্চা, বি জে পিগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী মাওলানা হুসেন অহমদ ক্বসমিবু ওকখি।

এম পি সি সিগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিনা থৌরম মপু ওইখি। কোংগ্রেস পার্টিগী এম এল এ অমসুং এক্স–এম এল এ কয়া য়াওনা পার্টিগী থৌমী কয়াসু থৌরমদুদা শরুক য়াখি।

## মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সিদা জাইভিক ইন্দিয়া এৱার্দ,২০১৮...

*লমায় ১গী মখা*

কম্পনিশিং, লৌমীশিং অমসুং ওর্গানিক এগ্রিকলচরগী ষ্টেকহোল্ডরশিংদা ইন্টরনেসনেল কম্পিটেন্স সেন্টর ফোর ওর্গানিক এগ্রিকলচরনা পীবনি।

মশক নাইরবা মিনিষ্ট্রিশিংগী ওফিসিয়েলশিং অমসুং হিরম অসিদা অৱাংবা থাক্কী পেনেল ওফ জ্যুরিনা লৌমীশিং, ষ্টেটশিং, ষ্টেট এজেন্সিশিং, কম্পনিশিং অমসুং ষ্টেকহোল্ডরশিংনা তৌরিবা থবকশিং অসি কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা মনা অসি পীবনি। মণিপুরদা হোর্টিকলচর অমসুং এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সিনা ওর্গানিক ওইবা পোথোক পুথোক্লনবা পায়খৎলিবা থবকশিং অসি য়েংশিল্লবা মতুংদা মনা অসি মোমাদা পীরকখিবনি। অৱাংথংবা অমসুং অৱাং নোংপোকথংবা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরদা মনা অসি পীরকপনি। ঙসিগী থৌরম অদুনা ইকোআনা শিনবা অনিরকশুবা মনা লাম্বোকপগী থৌরমনি। মনা অসি ইকোআনা ইন্দিয়াগী মনুংদগী ষ্টেট অহুম খনগৎপদা মণিপুরনা অহানবা পোজিসন তাখি ।